**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-10-2025)**

**হৌচোংবা(এল)ঃ** চীংমী তম্মী অনিগী নুংশি চান্নবগী মরী হেন্না চেৎশিন্নহল্লিবা মেরা হৌ চোংবগী থৌরমদা রাজ্য অসিগী চিংগী জিলাশিং য়াওনা মফম কয়াদগী তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী মীওই কয়ানা শরুক য়াগনি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ইম্ফালগী সনা কোনুংদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মেরা হৌচোংবগী ষ্টেট লেবেল ওর্গনাইজিং কমিতিগী মেম্বর-মুতুম মণিতোননা হায়-রাজ্য থাক্কী মেরা হৌ চোংবগী থৌরম লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইম্ফালগী ঐতিহাসিক ওইরবা কংলাদা পাঙথোকনবা শেম শাবা লোয়রে।

মহাকা হায়-থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী খুলশিংগী লুচিংবা ১৩৫ রোমনা শরুক য়াগনি। লুচিংবশিং অসি হয়েং সনা কোনুংদা থুংলগনি। লুচিংবশিং অদুবু হয়েং নুমিদাংৱাইরম নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা তরামা ওকপগী থৌরম পাঙথোক্কনি। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তা ইম্ফালগী সনা কোনুংদগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা লুচিংদুনা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা ইম্ফালগী কংলা তমা চৎকনি। মফমদুদা মেরা মেনতোংবা, য়েনখোং তম্বানচিংবা য়াওনা খুদোলপোৎ পীনবনচিংবগা লোয়ননা নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈগী থৌরমশিং পাঙথোক্কনি।

**রেড(এল)ঃ** হন্দক থোকখিবা ঈশিং ঈচাওদা অৱাবা তারবশিং মতেং পাংবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি মনিপুর ষ্টেট ব্রান্সকী ভোলুন্টিয়ারশিং তরামা ওকপগী থৌরম অমা ইম্ফালগী এম.জি. এভিন্যুদা লৈবা ব্রান্স অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী

দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: নিবেদিতা লাইরেনলাকপমনা হায়-রেড ক্রোস সোসাইতিগী মীয়ামদা তেংবাং পীবগী থৌনা লিংজেল অসি ফিদমনিংঙাইগী মশকনি।

থৌরম অদুদা, ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি মনিপুর ষ্টেট ব্রান্সকী ভাইস প্রসিদেন্ট-ডা: আর.কে. নিমাই অমদি চেয়ারমেন-নরেন্দ্র নিংঙোম্বনচিংবসু শরুক য়াখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** দি.এফ.ও. চান্দেললনা শিনদুনা ৭১ শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক ঙসি ককচিং জিলাগী সেরৌদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা মৈরা পায়বীশিং, মহৈরোইশিং, পুলিস পার্সোনেল অমসুং অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল কয়াসু শরুক য়াখি। পুন্না উ চারা ৩০০ রোম চকপি তুরেল তোর্বানদা থাখি।

ৱাইল্ড লাইফ ৱিক্কা মরী লৈননা ঙসি কৈবুল লমজাউদা সাইকল রেল্লি অমসু চৎখ্রে। সঙাই প্রোটেক্সন ফোরম অমদি ফোরেষ্ট বিভাগকী ৱাইল্ড লাইফ ৱিংনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা রেল্লি অদু কৈবুল নেসনেল পার্কতগী লমথারগা মোইরাং ফাওরগা সঙাই ইথনিক পার্ক ফাওবা চৎখি।

**নোংঃ** নোংচুপ বঙ্গলাগী নোর্থ বেঙ্গোলগী গোরখালেন্দ টেরিটোরিয়েল এদমিনিষ্ট্রেসনদা ঙরাং নুমিদাংদগী নোং লেপ্তুনা চুবা অমদি চিং নিংখায়বগী থৌদোক্তা দারজলিং জিলাদা মীওই ২০ হেন্না শিরে।

মিরিত, করশিয়োং, রাংভঙ্গ, পুলবজারনচিংবা মফমশিংদা অকনবা নোং লেপ্তুনা চুরি। কারিমপোং হিলস দিষ্ট্রিক্ট অমসুং অতৈ চীংগী মফম কয়াদা অকনবা নোং চুবা অমসুং চীং নিংখায়বদগী চাউনা অমাং অতা থোক্লে। তিস্তা তুরেলগী ঈশিং ইমায় মফম কয়াদা পাথোক্তুনা নেসনেল হায়ৱে থুমজিনবদগী গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অপনবা থোক্লে। শ্রীগুরি অমসুং সিক্কিম শমহল্লিবা নেসনেল

হায়ৰে টেনগী মফম কয়াদা লন্থী ফাওনদ্রে। মিরিত সব দিভিজনদা মীওই ১২ শিখি অদুগা অতৈ থিনা শোকপা মীওই মরিনা নোর্থ বেঙ্গোল মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিতালদা লায়কন্নরি।

দারজলিংদা থোং তেক্তুনা মীওই কয়া লৈখিদবগী থৌদোক অদুদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু, উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণন অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা রাস্ত্রপতিনা হায়-অকনবা নোং চুবা অমসুং চীং নিংখায়বদা দারজলিংদা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখিবগী থৌদোক অদু থমোয় কায়নিংঙাইনি। অশোক অপন নংলবশিং অথ্বা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়নসু রাস্ত্রপতিনা হায়রি।

উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণনা হায়-দারজলিং অমদি মসিগী অকোইবদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অদু কুপা য়েংশিল্লি। অৱাবা তারবশিংদা পীবা য়াবা তেংবাং পীগনি হায়নসু মহাকা হায়রি।

বিহারদসু হৌখিবা পুং ২৪ দা বজ্র তাবা অমসুং অতৈ নোংগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা মীওই ১৬ শিখ্রে। মুজাফরপুর জিলাদা খ্বাইদগী য়ামা মীওই মরি শিখি। অদুগা জেহানবদাতনা মীওই অহুম শিখি। মুখ্য মন্ত্রি-নিতিশ কুমারনা মীওই কয়া লৈখিদবগী থৌদোক অদুদা অৱাবা ফোংদোকখ্রে।

আরব সাগরদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোংলৈ নুংশিৎ-শখতিনা মরম ওইদুনা অখাক অরাও অমদি অকনবা নুংশিৎ শিৎপগী খুদোংথিবা মায়োকবা য়াই হায়দুনা মেট দিপার্টমেন্টনা মহারাস্ত্রদা সাইক্লোন এলার্ট লাউথোকখ্রে। মফম অদুদা হয়েং ফাওবদা কিলোমিটর ৬০ দগী ১০০ ফাওবা য়াংবা নুংশিৎ শিল্লবা য়াই হায়রি। ঙা ফাবশিং অৱাং নোংচুপ থংবা অরাব সাগরগী শরুক্তা চৎতনবা খঙহনখ্রে।

জম্মু কাশ্মিরগী জম্মু দিভিজনদা অকনবা নোং চুগনি হায়রিবা অদুগী য়েংলগা দাইরেক্তোরেট ওফ স্কুল এদুকেসন জম্মুনা সরকারগী অমদি লন্নাই

স্কুলশিং নুমিৎ নিনি থিংজিন্নবা হুকুম থোকখ্রে।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা কেরলাগী পাতনমতিতা, কিদুকি অমসুং কোতায়ম জিলাশিংগী মফম কয়াদা অকনবা নোং চুগনি হায়রদুনা য়েল্লো এলার্ট লাউথোকখ্রে।

**নোংঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট-ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ হুমনি অসিদা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা অখাক অরাও য়াওনা নোং তাগনি।

তমেংলোং, সেনাপতি অমসুং জিরিবামদা থা অসিগী তরেৎ ফাওবা নোং তাগনি। চান্দেল অমসুং চুরাচান্দপুরদনা ঙসি নোং তাগনি। কাংপোকপী, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ফেরজোল জিলাগী মফমশিংদা হয়েং নোং তাগনি।

**মিনিংজাইটিস (এল)ঃ** ঙসি অসি মালেমগী মিনিংজাইটিস লায়নাদগী ঙাকথোকপা নুমিৎনি।

পালন থৌরম অসিগী মতাংদা অকাশবানি ইম্ফাল পাউমীগা অখন্ননা উন্নবদা রাজ্যগী হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর-ডা: এন. হেমন্তাকুমার সিংহনা হায়-মিনিংজাইটিস হায়বসি ব্রেনবু ঙাক শেল্লিবা মেনিংজেসতা মহিকনা থোকহনবা লায়না মখল অমনি। মসি তিকা থাদোক্লবদি লায়না ঙাকথোকপা ঙম্মী।

**থৌবাল (এল)ঃ** ষ্টেট ফোর্সেস ক্লব-খাঙবোকনা শিনদুনা লম-তু শেংবগী কেম্প অমা ঙসি থৌবাল জিলাগী খাঙবোক লমলোং কৈথেলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা কৈথেল ফল্লিবশিং য়াওনা অকোইবগী ফিভম তরু-তান্ননা থমনবগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

**আরএসএস (এল)ঃ** রাস্ত্রিয়া সোয়ম সেভক সঙ্খ (আর.এস.এস) লিংখৎখিবগী চহি ১০০ শুরকপগী বিজয়া দসমি উৎসবকী থৌরম ঙসি থৌবাল জিলাগী খোংজোমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি আর.এস.এস. খোংজোম মন্দলনা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

**মীফম (এল)ঃ** নাগা ৱিমেন য়ুনিয়ন মনিপুরগী ৩১ শুবা মীফম অমদি কুমওন থৌরম ঙসি চান্দেল জিলাগী লাঙ্গোল ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈশিং পাঙথোকখি।

**ইসিঃ** চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার-গ্যানেস কুমারনা হায়রি-স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন (এস.আই.আর) বু ভোটরশিং, রাজনিতি দলশিং অমদি গনতন্ত্রগা মরী লৈনবা মীপুম খুদিংমকা পাক শন্না থাগৎপা ফোংদোকরক্লি।

পাটনাদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এস.আই.আরগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা হংল্লকপা ৱাহংশিংগী পাউখুমদা শ্রী কুমারনা হায়-এস.আই.আর. অসি আইনগী মতুং ইন্না পায়খৎখিবনি।

বিহার বিধান সভা মীখলগী শেম শারিবশিং য়েংশিন্নবগীদমক শ্রী কুমারগী নুমিৎ নিনিগী বিহার খোঙচৎ লোয়শিল্লবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মহাকা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। শ্রী কুমারনা হায়-এস.আই.আর. পায়খৎপদা শরুক য়াখিবা মীওই খুদিংমক অমসুং দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোল ফোংখ্রবা মতুংদা ভোটর লাখ অহুম লিশিং ৬৬ কী মমিং লৌথোকখি। এস.আই.আর. মায় পাকা মপুং ফানা চত্থনবা হোৎনবদা কৎথোকপগা লোয়ননা নীংথিনা শরুক য়াখিবা বি.এল.ওশিংগী মফমদসু মহাকা থাগৎপা ফোংদোকখি।

মহাকা হায়-বিহার বিধান সভা মীখল শান্তি ওইনা নীংথিনা পাঙথোক বগীদমক অনৌবা থৌরাং ১৭ পায়খৎলে অমসুং মসিনা ভোটরশিংদা চাউনা

খুদোংচাবা ফংহল্লগনি।

মদুগী মমাংদা, মপুং ফাবা ইলেক্সন কম্মিসনগী কাংবুনা রাজনিতি দলশিং, এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসারশিং, চীফ সেক্রেটরি, দি.জি.পি, রাজ্য পুলিস ফোর্সকী নোদেল ওফিসারশিং, সেন্ট্রেল পুলিস ফোর্স অমদি তোঙান তোঙানবা ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিং য়াওনা মরী লৈনবা মীপুম খুদিংমক্কা পুন্না মীফম অমা পাঙথোক্কুনা ৱা খন্নখি।

**এমপিঃ** মধ্য প্রদেসকী সিন্দৱারা জিলাদা লোক খুবগী হিদাক থক্লুবদগী অঙাং ১১ শিখ্রবা মতুংদা রাজ্য সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎখ্রে।

থৌদোক্কুদা চেন্নবা ডাক্তর অমসুং হিদাক শুংবা কম্পানিগী মথক্তা এফ.আই.আর. অমা থাংগৎখ্রে। ডাক্তর-প্রবিন সোনি থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ঙরাং নুমিদাং ফাখিবনি। থৌদোক্কুনা চেন্নরিবা হিদাক শুংফম তামিল নাদুগী শ্রীসান্ত ফারমাসিয়ুটিকেলকী মথক্তা অখন্নবা ইনভেষ্টিগেসন টিম এস.আই.টিনা থিজিনবগী থবক চথরগনি।

মরক অসিদা, ঙরাং থোকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না লোক্কী হিদাক অদুদা হকচাংদা শোকিংঙাই ওইরবা দাইথাইলিন গ্লাইকোল চাদা ৪৮.৬ কী চাংদা য়াওই হায়রি।

**ইন্দোনেসিয়াঃ** ইন্দোনেসিয়াদা স্কুল অমা নিংখায়বগী থৌদোক্তা শিখিবা মীগী মশিং ৩৭ শুখ্রে।

লৈবাক অদুগী রেস্ক্যু এজেন্সিনা হায়-থৌদোক অদুদা চহি ১৩ দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা থিবা খঙদনা লৈরিবা মহৈরোই ২৭ কী হকচাং থিবগী থবক মখা তানা চথরি। লৈবাক অদুগী জভা ইথৎতা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা মহৈরোইশিংনা লাইশোল থৌরম পাঙথোক্লিঙৈদা স্কুল অদু খঙহৌদনা নিংখায়রকখিবনি।

**বোড়োলেন্দঃ** হগ্রামা মুহিলারিনা বোড়োলেন্দ টেরিটোরিয়েল কাউন্সিলগী চিফ ইগজকিটিব মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌখিবদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোক্লি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা প্রধান মন্ত্রিনা মুহিলারি অমসুং মহাক্কী কাংবুগী মফমদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা হায়-মহাক অমসুং অসাম সরকারনা কাউন্সিল অদুবু মখা তানা শৌগৎখিগনি অমসুং বোড়োগী লুচিংবা উপেন্দ্রনাথ বরমাগী ৱাখল্লোন অদু মংফাওনহন্নবা পুন্না থবক তৌমীন্নগনি।

**ইসরোঃ** ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী টেষ্ট পাইলোট অমসুং ইসরোগী এসত্রোনোট-শুবানশু সুক্লাগা দিপার্টমেন্ট ওফ এদুকেসন এন্দ লিটরেসিগী সেক্রেটরি-সঞ্জয় কুমারগা ন্যু দিল্লিদা ঙরাং উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা মহৈরোইশিংদা বৈগ্যনিক ওইবা ৱাখল্লোন কয়া ফাওহন্দুনা ভিক্সিত ভারত বিলদাথোন ২০২৫ মপুং ফাহন্নবগী মতাংদা খন্নখি।

বিলদাথোন অসি মহৈরোইশিংবু বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা মখোয়গী হৈশিংবা অমদি অনৌবা ৱাখল পুথোকহন্দুনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী ভিক্সিত ভারত্তা মপুং ফাহন্নবা পান্দমদা চংশিনবা খোঙথাংনি। সুবানশু সুক্লা অসি ভিক্সিত ভারত বিলদাথোন ২০২৫ গী ব্রান্দ এম্বাসেদর ওইরিবনি।

**ফূটবোলঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চথরিবা ২১ শুবা কে.কে. মেমোরিএল ফাৰ্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টি.য়ু.সি. থোংজাউনা আই.ৱাই.এ. ককচিংবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**ফূটবোলঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিনদুনা চথরিবা ২২ শুবা লৈহাও দেবী মেমোরিএল ফুটবোল দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-এল.এম.এন.সি.সি. লাংমৈদোংনা এস.দি.ও. পল্লেলবু পাঞ্জল ৩-২

দা থোইখ্রে।

**ফূটবোলঃ** সাই গ্রাউন্দ তাকয়েলদা চথরিবা অহুমশুবা প্রিমিয়র লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সাউর্দন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা সঙ্গাই হেরোসপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**জিট কুন্দোঃ** থা অসিগী ১১ দগী হৌদুনা খুম্মন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৪ শুবা সব জ্‌নিয়ার, জ্‌নিয়ার অমসুং সেনিয়ার ষ্টেট লেবেল জিট কুন্দো চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াগদবা থৌবাল জিলাগী টিমগী শান্নরোইশিং খনখ্রে।

**স্পোর্টস ঃ** কলম্বোগী আর. প্রেমাদাসা ষ্টেদিয়মদা চথরিবা আই.সি.সি ৱিমেন্স ও.দি.আই ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপতা ভারতকা পাকিস্তানগা হৌজিক শান্নরি। পাকিস্তাননা টোজ ঙম্লবসু ভারতনা হৌজিক বেটিং তৌরি।